ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯌꯨꯝꯁꯀꯩꯁꯥ, ꯅꯣꯕꯦꯝꯕꯔ ꯲꯳, ꯲꯰꯲꯲, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯶ ꯁꯨꯕ ꯆꯍꯤ, ꯲꯳꯴ꯁꯨꯕ ꯃꯁꯤꯡ
হুইয়েন লানপাউ
য়ূমশকৈশা, নবেম্বর ২৩, ২০২২, ইম্ফাল
৪৬শুবা চহী, ২৩৪শুবা মশীং

# মণিপুর সঙাই ফেষ্টিবেল

## য়ুদগী থোকহন্নীংদবা থৌদোকশিং থোকহনগুমসি

১১শুবা মণিপুর সঙাই ফেষ্টিবেল নবেম্বর ২১, ২০২২দগী হৌখ্রে। কোভিদ পেন্দমিকনা মরম ওইরদুনা হৌখিবা কুমজা ২০২০ অমসুং ২০২১দা চহী অনী থংন-থংননা পাঙথোক্লদ্রবা মতুংদা পাঙথোরকপগী ঙাক নত্তনা হন্দক্কী ফেষ্টিবেল অসিদি হৌজিক ফাওবগী ওইনদি খ্বাইদগী চাওরবা ফেষ্টিবেল অমা ওইরে। মমাঙগী চহীশিংদা হাপ্তা কাংজেবুংদা টেম্পরেরি ওইনা এথনিক হেরিটেজ পার্ক শারগা ফেষ্টিবেলগী ম্যেন ভেন্যু ওইরম্বদু ওইদ্রে। মোইরাং খুনৌদা পর্মিনেন্ট ষ্ট্রকচরশিং শাগৎলগা ম্যেন ভেন্যু ওইখ্রে। মসিগী মথক্তা হান্নদগী ভেন্যু মশীং হেনগৎহল্লে। শরুক য়ারগদবা অমসুং য়েংলগদবশিংগী মশীংসু শীংথানবা য়ানা হেনগৎলক্লে। মথং চহীগী ফেষ্টিবেলদনা অমুক্কসু হেন্না পাকথোক চাওথোক্লা পাঙথোরকপসু ঙম্বা ওইরসনু। পূম্নমক মণিপুর লৈঙাক্কী হোৎনজমন্দগীনি, মীয়াম্নসু অঙম্বা মতেংশিং পাংশিন্নরকপদগীনি। মণিপুর লৈঙাক অমসুং ষ্টেটসিগী মীয়ামগী মায়নি। অদুবু অসুক হরাও-তয়াম্না পাঙথোক্লিবা মণিপুরগী খ্বাইদগী চাওবা কুম্মৈসিনা মরম ওইরগা নৎত্রগা মরী লৈননা থোরকহন্নীংদবা থৌদোকশিং, হায়বদি থোকখ্রবা মতুংদা নীঙমদবা পোক্তুনা তকশি শোলহৌগদবা মমল য়ান্নবা পুন্সি মাঙহনবা নৎত্রগনা শোয়নাইহলহৌগদবা থৌদোকশিং থোরক্তনবা মাঙজৌননা চেকশিন থৌরাংশিং লৌখৎহন্নীংই। অসুক চাওরবা কুম্মৈ অমা শিল্লিবা লৈঙাক্কী মায়কৈদগী লৌখৎফম থোকপা মাঙজৌনবা থবকশিং লৌখৎলম্লোই হায়বা নত্তে। পুলিসকী মায়কৈদগীসু থৌওইনা 'টুরিষ্ট পুলিস' হায়বা অনৌবা টিম অমা ফাওবা শেমগৎলক্তুনা য়েংবা লাকপা মীওইশিং লমজিং-লমতাক্লবা থবকশিং পায়খৎলক্লিবনি। পামদবা থৌদোক অমত্তা থোক্তনবা মথৌ তাবা চেকশিন থৌরাংশিং পায়খৎলক্লিবনি। ফত্তবা থৌদোক ৱাথোক অমত্তা থোরক্তবসু ওইরকসনু।

অদুবু অসিগুম্বা পামদবা থৌদোকশিং অসিগী থোরক্লবগী মরমশিংগী মনুংদা য়ু (য়ুঙাং অমসুং য়ুঙৌ) য়াওনা অতোপ্পা ময়াই কাবা চিঙ্াকশিংনসু মরু ওইবা থোরকহল্লকফম ওইগদৌরিবনি। ৱাফমসিমদি পুমচুম চুন্নবা ৱাফমনি। মসিগী মথক্তা হন্দক্কী ফেষ্টিবেল পাঙথোকফম ভেন্যুশিংগী মরক্তা য়াম্না লাপ্লবা মফমশিং য়াওরি। খুদম ওইনা ম্যেন ভেন্যু ওইরিবা মোইরাং খুনৌগী এথনিক পার্ক ইম্ফালদগী লাপ্লি। মসিদগী হেন্না লাপ্পশিংগী মনুংদা ম্যান্মারগা তাইনবা চুড়াচান্দপুরগী বেহিয়াং, খুগাগী রিজোর্ট, লমকা পব্লিক গ্রাউন্দ, সেনাপতি অমসুং মাওগী মফমশিংসু য়াওরি। হায়রিবা ভেন্যুশিং অসিদা শরুক য়াবা অমসুং য়েংবা চৎপদা য়ুঙাং-য়ুঙৌ য়াওনা ময়াই কাবা চিঙ্াকশিং চাশিন-থকচিল্লগা চৎথোক চৎশিন তৌনরক্লগদি পামদবা অমসুং থোকহন্নীংদবা লম্বীগী খুদোংথীবা থৌদোকশিং থোরকপা মশানা তাবনি। মসিগী মথক্তা কুমজা ১৯৯১দগী চৎনরকখিবা মণিপুর টোটেল প্রোহিবিসন এক্টতা মচিৎ-মচিৎ এমেন্দমেন্ট তৌদুনা শেমদোরকখ্রবশিংগী মথক্তা সেপ্টেম্বর ২০, ২০২২দা ফমখিবা ষ্টেট কেবিনেট মীফম্না অকক্লবা মফম খরদা য়ু শুংবা অমসুং য়োনবগী অয়াবা পীনবগী ৱারেপ লৌখিবসু লৈখ্রবনি। চহী নৌরিবা মীওইশিংনা য়ু থকচিল্লগা লাং-খেবগী থৌওং চথরকপদগী লম্ফেল পুলিসনা নহা খরা ফাগৎপগী থৌদোক ফাওবা লৈখ্রবনি। পূম্নমকসি মাঙজৌননা লাকশিনবা উবদগী বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট পুলিসকী মায়কৈদগী দিষ্ট্রিক্ট পুলিসসিগী জ্যুরিসদিক্সন মনুং চল্লিবা মফমশিংদা লৈবা ফেষ্টিবেলগা মরী লৈনবা 'ফুদ ষ্টোল' শিং নুমিদাং পুং ৯গী মতুংদগী হাংবা য়ারোই হায়বগী অথিংবা ফাওবা থম্লগা মীয়ামদা লাউথোক্তুনা খঙহনখ্রবনি। থৌরাংসিনা তাক্লিবদি য়ুনা য়ূম্ফম/হৌরকফম ওইদুনা থোকহন্নীংদবা থৌদোকশিং থোরক্কনি হায়বনি। মরমশিং অসিনা কুম্মৈ অসিনা মরম ওইরদুনা পুন্সি মাঙবা য়াবা থৌদোকশিং থোরক্তনবা হান্নদগীসু হোৎনদুনা লাক্লিবা মরী লৈনবা লৈঙাক্কী লোয়শঙশিংগী ওফিসলশিং, মীয়ামগী লূপ কয়ানসু মখা তানা হোৎনবগী তঙাইফদবা লৈরি হায়নীংই। ষ্টেটসিগী খ্বাইদগী চাওবা মপান লৈবাক্কী মীওই কয়ানা ফাওবা শরুক য়াদুনা খ্বাইদগী চাওবা কুম্মৈ পাঙথোক্লগা মীওই খরগী নৎত্রগা ময়ামগী থৱায় মাঙননবা নৎত্রগা শোয়নাইহৌনবা ওইরকহনবা চুমদে। লৌখৎফম থোকপা অকনবা থবকশিং লৌখৎলু।

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৫৪

১) **"ওইরগদ্রা অরোইবা"** হায়বা লাইরিক অসি করম্বা মখলগী লাইরিকনো অমসুং মসিগী অইবা কনানো?
২) **"ৱৎসনিংথৌ উদয়ন"** হায়বা লাইরিক অসিগী ওরিজিনেল অইবদু কনানো অমসুং মণিপুরীদা কনানা হন্দোকপগে?
৩) **"ক্লিওপাট্রা অপাম-নুংশি লাংথাকপী"** হায়বা লাইরিকসিগী অইবা কনানো?
৪) "খেন্দে নিংথৌ হাওতক লাইবনা হান্না লীরি থম্মোয় তিং লকা তেনমৈ লাকনা কোরৌ নোং-ও য়েংও, মালেম লৈ ও খঙঙো। হৈরেম ইপল লম নঙ চুম্মো হায়না ৱায়রা তেম্থাববু শোয়রেন ফুমি তূনা তেনবাল্লে। চাইরেন নিংথৌ য়াফুরাকপনা লীরি থম্মোয় তিং লকা তেনমৈ পায়না কোরৌ নোংও য়েংও মালেম লৈ ও খঙও, হৈরেম ইপল লম নঙসুঙ চুমও হায়না ৱায়রা তেম্থাবদি খেন্দে নিংথৌ হাওতক লাইবগী ফৈরা মতান পাংমা তুরে।" ৱাহৈ পরেং অহুম অসি কদাইদগী লৌথোরকপনো?
৫) **"ৱারেপ"** হায়বা লাইরিক অসি কনানা ইবনো অমসুং করম্বা মখলগী লাইরিকনো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম নবেম্বর ৩০, য়ূমশকৈশা নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল ***hueiyenliteraryquiz@gmail.com*** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ।
ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# অচাথাও হেন্না পুথোকপা ঙম্লবা জীন্দা শেমদোক্লবা পান্থী

সাইন্সকী খোঙচৎ

কুঞ্জো নাওরেম



অচাথাও থোকপা পান্থী *Arabidopsis thaliana* না মপান শারকপা


অচাথাও নৎত্রগা মনা-মশিংদগী শুংবা থাও হায়বসি য়াম্নমক মরু ওইখ্রবা চিঙ্াক্কী মচল অমা ওইবদা নত্তনা ইন্দষ্ট্রিগী লম্দসু য়াম্না কান্নবা থাও অমা ওইরি। "ষ্টেটিষ্টা রিসর্স দিপার্টমেন্ট' না মার্চ ২২, ২০২২দা ফোঙদোরকখিবা পাউদম অমগী মতুংইন্না ফিস্কল য়র ২০২১গী ওইনা ইন্দিয়ানা শীজিন্নখিবা অচাথাওসি মেত্রিক টন মিলিয়ন ২২দগী হেনখি; অদুগা মালেমগী ওইনদি মেত্রিক টন মিলিয়ন ২০৫গী মথক্তনি হায়রি। অচাথাও নত্তবা, সাপোন শাবগুম্বা ইন্দষ্ট্রিশিংদা অমসুং ফ্যুল ওইনা শীজিন্নবা থাওসু লৈরি। নোংমা নোংমগী শীজিন্নবগী চাং হেনগৎলক্লিবা মনা মশিংগী থাও/অচাথাও পুথোকপগী চাংসি হেনগৎহন্নবগী পান্বৈশিংগী মনুংদা চপ মান্নবা লৌফম অমদগী অহেনবা থাও পুথোকপা হায়বসিসু অমা ওইরি। মসিগীদমক অচাথাও শুংগদৌরিবা মরূ (সীদ) অদুদা থাওগী চাং হেন্না য়াওহনবা তাই।

হঙ্গাম, নুমিৎলৈ, লৈবাক হৱাইনচিংবগী মরূদা য়াওরিবা থাওগী চাংসি হেনগৎহন্দুনা থাওগী পোত্থোক হেনগৎহন্নবগীদমক পাঙথোরকখিবা চাংয়েংশিংদগী নানয়াং টেক্নোলোজিকল য়ুনিভর্সিটি, সিঙ্গাপোর (এন টি য়ু সিঙ্গাপোর) গী থিজিন-লূপ অমনা পান্থীগী মরূদা থাও তুংশিনহনবা ঙল্লিবা প্রোটিন অমবু জীনেটিক এঞ্জিনিয়রিংগী পান্বৈনা শেমদোক-শাদোক্লবা মতুংদা পান্থীদুগী মরূদা তুংশিল্লক্লিবা থাওগী চাংসি ১৫%দগীনা ১৮% ফাওবা হেনগৎহনবা ঙম্লে হায়রি। মখোয়গী চাংয়েংশিংদা শীজিন্নখিবা পান্থীদু কোবি অমসুং হঙ্গামগা নক্লবা মরী লৈনরিবা *Arabidopsis* কাঙলূপকী পান্থীনি।

লৌউ-শিংউগী অনৌবা পান্বৈশিং, খুদম ওইনা ক্রোস ব্রিদিংগুম্বা শীজিন্নরগা পুথোরকপা হায়ব্রিদ ক্রোপশিং-নুংহৱাই, নুমিৎলৈ, হঙ্গাম, ওইল পাল্ম, লৈবাকহৱাই, রেইপসীদ-না মমাঙঙৈদা শীজিন্নরম্বা লৌউ পথাপশিংদগী হেন্না থাও য়াওবা মরূশিং পুথোকপা ঙম্লে। অদুবু লৌউ-শিংউ তৌনবা লমদি নোংম-নোংমগী পীকশিল্লকপা অদুগা মীশিংনদি হেনগৎলকপনিনা থাও হেন্না য়াওবা মরূশিং পুথোকপগী তঙাইফদবসি লাকখি। অদুনা এন টি য়ুগী থিজিন-লূপ অসিনা থাও থোকপা পান্থীশিংগী মরূদা থাও তুংশিনহনবা ঙম্বা WRINKLED 1 (WRI 1) হায়রিবা প্রোটিন অসিদা অখন্নবা মীৎয়েং থম্বা হৌরকখি।

এন টি য়ুগী থিজিন লূপ অসিবু লুচিংখিবা স্কুল ওফ বাইওলোজিকল সাইন্সেসকী এসোসিএট প্রোফেসর Gao Yonggui অমসুং এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর Ma Wei না WRI 1গী হায়-রেজল্যুসন ষ্ট্রকচর লৌরগা নৈনখিবগী পাউদম অসি "সাইন্স এদভান্সেস' (ওগষ্ট ২৪, ২০২২)দা ফোঙদোরকখিবনি। WRI 1গী মোলিক্যুলর ষ্ট্রকচর অদু মশক মুন্না খঙদোক্লবা মতুংদা, পান্থী অদুগী মরূ অদুগা থাও কয়া য়াম্না তুংশিনহনগদগে হায়বগী সিগ্নেল পীবা ঙল্লিবা দি এন এ অদুগা WRI 1গা মতৌ করম্না পুনশিন্নখিবগে হায়বগী মতাংদা খঙদোকপা ঙমখি।

অহানবদা, থিজিন লূপ অসিনা অসুম্না ফংলক্লিবা WRI1-DNA কমপ্লেক্সকী এটোমিক ষ্ট্রকচরদু খঙদোকখি। অদুগা থাও হেন্না তুংশিনবা ঙমহন্নবগীদমক, দি এন এগা হেন্না ফজনা পুনশিন্নবা য়ানবগীদমক WRI1 গী জীন্দা শেমদোক-শেমজিন খরা তৌবা তারম্মী। WRI1 গী শরুক খরদা শেমদোক্লবা মতুংদা অনৌবা WRI1 গী মওং কয়ামুক পুথোকপা ঙমখি। অসুম্না পুথোরক্লিবা WRI1 শিংবু মখোয়না থাও কয়া য়াম্না পুথোকহনবা ঙম্বগে হায়বগী মতাংদা চাং য়েংখি। চাংয়েংশিংদুদা WRI1 গী শেমদোক্লবা ভর্সনশিং অদুনা মহৌশাগী য়াওজরম্বা WRI1 দগী শরুক তরা হেন্না দি এন এগা পুনশিন্নদুনা থাও হেন্না পুথোকপদু থেংনরম্মী। মতাংসিদা এসোসিএট প্রোফেসর গাওনা অসুম্না ফোঙদোক্লি, "WRI1 অসি পান্থীদুগী মরূশিংদা থাও কয়া য়াম্না তুংশিনহনগদগে হায়বগী সিগ্নেল অদু পান্থীদুদা পীবা ঙম্বা রেগুলেটর অমনি। মহৌশাগী ওইবা 'ৱাইখু' (লোক) অদুবু অমুক্তং খঙবা ঙমখ্রবদি, এঞ্জিনিয়রিংগী পান্বৈনা WRI1 গী পোটেন্সিএলদুবু খঙদোকপা ঙম্বা শোজৈ (কি) অদুবু পুথোকপা ঙম্মী"।



*Nicotiana benthamiana* গা লোয়ননা এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর Ma Wei (ওই) অমসুং এসোসিএট প্রোফেসর Gao Yonggui

WRI1 গী কৃষ্টল ষ্ট্রকচরবু 'টার্গেট' ওইনা শীজিন্নরগা থিজিন লূপ অসিনা WRI1 বু শেমদোকখি। অসুম্না শেমদোক্লবা WRI1 প্রোটিনবু কোদিং তৌনবগী ইন্সত্রক্সনশিংদু টার্গেট প্লান্ট সেলশিংদা হাপচিল্লম্মী; মসিগী মতুংদা পান্থী অদুনা WRI1 পুথোরকপা খুদিংগী 'অনৌবা ইন্সত্রক্সনশিং' অসি শীজিন্নরম্মী। শেমদোক্লবা WRI1 না মতৌ করম্না থাওবু তুংশিনহনবদা মতেং পাংবগে হায়বদু য়েংনবগীদমক লেবতা পাঙথোকখিবা চাংয়েংশিংদা শেমদোক্লবা প্রোটিন অমসুং শেমদোক্ত্রিবা প্রোটিন অনীমকপু *Nicotiana benthamiana* গী মনাশিংদা কাপশিল্লম্মী অদুগা ফেট অমসুং ওইলশিংদা দাইটরি লিপিদকী মরু ওইবা মওং অমা ওইরিবা triacylglycerol লেভেলশিংদু পুথোক্লম্মী। শেমদোক্লবা WRI1 প্রোটিনশিংনা WRI1 গী শেমদোক্তবা প্রোটিনশিংগা চাংদম্নবদা triacylglycerol পুথোকপগী চাংদু হেল্লম্মী। মসিগী মখা তারকপা চাংয়েংশিংদা জীন্দা শেমদোক্লবা *Arabidopsis thaliana* মরূশিংদনা শেমদোক্তবা মওংগী মরূশিংদগী থাও হেন্না য়াওবসু থেংনরম্মী। জীন্দা শেমদোক্লবা পান্থীশিংদগী লৌবা চরাশিংদুসু শেমদোক্লবা WRI1 প্রোটিনশিংদু য়াওরকপা অদুগা মখোয়গী মরূদসু থাও হেন্না য়াওরকপসু থিজিন-লূপ অসিনা থেংনরম্মী।

WRI1 হায়বসি পান্থী অমগী দি এন এ সিক্বেন্সকা পুনশিন্নবা ঙম্বা প্রোটিন অমনি অমসুং মসিনা পান্থীদুগী মরূশিংদা থাও তুংশিনববু রেগুলেট তৌবা ঙম্বা অখন্নবা ইন্সত্রক্সনশিং পীবা ঙম্মী। মসিনা দি এন এ সিক্বেন্সতা হেন্না কন্না ফাজিন্নরিবমখৈ মরূশিংদা থাও তুংশিনবগী চাং হেল্লি। মরম অসিনা থিজিন লূপ অসিনা হেন্না কন্না ফাজিন্নবা ঙম্নবগীদমক WRI1 গী জীনশিংবু শেমদোক শাদোকখিবনি হায়না এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর মা ৱৈনা ফোঙদোক্লি।

মালেম অসিনা নোংম-নোংমগী চাওখৎলকপা অমসুং মীশিংনা অসুম হেনগৎলকপনা মরম ওইরগা লৌউ-শিংউ তৌবা য়াবা মফমশিংবু ইন্দষ্ট্রি চলাইফম, লম্বী ওন্থোকখিবা অমদি লৈফম্নচিংবা ওইশিল্লকপগী সমস্যাসি মালেমগী মফম পূম্নমক্তা থোক্লিবনি। অদুনা অনৌবা টেক্নোলোজিশিং শীজিন্নদুনা পোত্থোক হেনগৎহনবগা লোয়ননা চিঙ্াকশিংগী ন্যুত্রিটিভ ভেল্যুসু হেনগৎহনবগী মথৌ তারক্লি। অদুনা মহৈ-মরোং থাগদবা লৌফমগী চাং হন্থরক্লবসু চিঙ্াক পুথোকপগী চাং হেনগৎহন্নবা পান্বৈশিং পুথোকপা হায়বসি য়াম্নমক মরু ওই। ●

## ◇◇◇◇ এদিটরদা থারকপা ৱাকৎ, মীয়ামগী খোল্লাউ, পাউদম অমসুং অতৈ-অতৈ ◇◇◇◇

# ইম্ফাল ইষ্টকী লম্লাই শাবম লময়াই লৌকোন ইকং থোকখিবগী ফিল্ড ইনক্বারি করম্না তৌখ্রগে? রবী ক্রোপকীদমক লৌমীদা ঈশিং হান্না পীয়ু

*ইকায়খুম্নজরিবা এদিটর,*

ইকায়খুম্নজরিবা এদিটরগী মতেং লৌজরগা ৱাফম খরসি মরী লৈনবশিংগী মীৎয়েং চিংশিঞ্জরি, ক্লাইমেট চেঞ্জ অমসুং গ্লোবেল ৱার্মিংনা অহোংবা কয়া পীরকপনা ইকং কয়া থোক্লে, মতম চাদনা ইচাও কয়া থোক্লি। কুমসি ২০২২গী ইকংনা মরম ওইরগা লৌ শঙমদা লুপা লিশীং ৬/৭ চঙখ্রবা লৌফমদগী ফৌ মরূ অমফাওবা ফংদবনা অয়াম্বনি। লৌমীশিং খম থেংনা ৱানরে। লৈঙাক্লা ৱাজরবা লৌমীশিংদা খরদি পীবিবা য়ারে। কুমজা ২০১৯গী ইকংগী ফিল্ড ইনক্বারিনা করম্না তৌখ্রবগে? কুমজা ২০২২গীসু দিপার্টমেন্টকী ফিল্ড ইনক্বারি তৌখ্রে। বি জে পি লৈঙাক দবল ইঞ্জিননি, লৌমীশিংগী য়াইফনবা তৌগনি হায়না মীয়ামগী প্লেটফোর্মদা তোয়না লাউখিবনি। ইচিল ইনাওশিং ঐখোয় তূমিন্না লৈথোক্লগুমসি।

মসিদা খ্বাইদগী ৱারিবসি লম্লাইগী শাবম লময়াই লৌকোনদা লৌ উরিবশিংনা ওইরি। লৌকোনশিংগী মতিক চাবা দাম, ঈথৈ লৌখোং লৈতবনা, লৈরম্মীদি হায় চহী ৩০/৩৫ রোমগী ৱারীনি। ঙসিগী মীরোলনা মাঙহনখিবদগী ৱাজবনি হায়না খঙহৌবা অহলশিংনা ৱারী ওইনা তাকপীরকই। মরকসিদা এ সীসিগী মীহুৎনা এগ্রিকলচর, আই এফ সী দি মিনিষ্টর ওইবসু য়াওখ্রে অদুবু হীরমসিদা উবীরমদ্রে। হৌজিক্লা কুম পুরবা দোলাইথাবী দাম, থৌবাল দাম অশাদা ঙাইরি। চহী কয়াদি য়াম্লবা লোইরসু কানবদি ফংলোই।

দোলাইথাবী দামদগী কিলোমিটর ২৯ লাপ্না চেল্লকপা ঈশিংনা ইতম তুরেলগী নেমথনা তাখিবনা হঙ্গৎনা ঈশিং পীরকপা ঙম্লোই। ইতম তুরেলগী ঈশিংদি ইচাওগী মতমদা পাথরকপা ঈশিং নত্তনা ইকংগী মতমদা শাবম লময়াই লৌকোনদা ঈশিং লৌবা য়াদে। মরমসিনা ঐখোয়না দোলাইথাবী দাম অশা তৌনীংঙাই লৈতে হায়না অখঙ অহৈশিংনা তাকপীরকই।

থৌবাল দামসু অদুমঙাই, কিলোমিটর ১৬/১৭ লাপ্না পাইপ লাইন্দা লৈনুংদা লাকপা ঈশিংনা খারোমদা তখেল, নোংপোক সঞ্জেনবম ফাওরগা চৎখিবনা শাবম লময়াই লৌকোলদি অৱাংলোমদা কিলোমিটর ২/৩ লাপ্না তোংখৎলগা লৈহৌরে, মতৌ করম্না ঈশিং পীরমগনি?

শাবম লৌকোনগী ওইনদি খ্বাইদগী লায়বা মওংদা মমাঙঙৈগী অহলশিংনা শীজিন্নরম্বা ইরম অনীখক লৈরম্মী হায়। মতমদুগী অহলশিংদো লিংজেল মান্নে, হোৎনবা য়াম্না কল্লি হায়। তুরেলদা উ-ৱা ফৈদুনা দাম থিংলম্মী, অশাংবা লৌখোং কয়া তৌরম্মী হায়।

অহানবদা অন্দ্রো তাইনবা ঙাখসি চীংশাংদগী হৌরকপা ৱামৈ তুরেলগী মরীল কামেং খুঞ্জাওগী মখা ওইরপনা থিংবা কচা দামগী ঈশিংনা নাপেৎপল্লি ফাওরকপা, লম্লাই মমাঙ শাবল তারগা শাবম লময়াইদা তারকপা ঈশিংনা লৌ উরকপগী ৱারী ওইনা তাকপীরকই।

অনীশুবদা, লৈমখোঙ তুরেল অমসুং নাইবী তুরেল অনী পুন্না ইতম তুরেলদা তারকপা মরীনা নোঙাদা ফাওরগা চেল্লকপনা চালৌ খুনগী মমাঙদা থিংবা কাচা দামগী ঈশিংনা কৈমাং লৌকোন্দগী মমাঙ শাবল অমসুং করাথোঙ মরীন্দগী লম্লাইগী মমাঙ লৌকোন, মনীং লৌকোন অমসুং মখা লৌকোন, শাবম লময়াইগী অয়াম্বা শরুক্তা ঈশিং লায়না ফংলম্মী ঈকংগী অৱাবা লৈরমদে তাকপীরকই।

লৌমী ইচিল ইনাও ঐখোয় পুল্লসি। মতম লৈরিঙৈ ঈশিংগী ইরম থিরসি (ওল্ড ইজ গোল্ড) হায়নবা লৈ। মাঙখ্রবা কাচা দাম, ঈথৈ লৌখোং নৌনা পাক-চাওনা শেল্লসি, ইকংগী অৱাবা লৈহনলোইসি। লোয়ননা লৈঙাক অমদি মরী লৈনবশিং পূম্নমক্কী পূক্নিং চিংশিঞ্জরি।

খরিফ ক্রোপ মাঙখ্রবসু রবি ক্রোপনা মেনখৎকনি লাওরি, মরূ-মরাং, চারা পীবিরি। লৈক্রক্লা খোঙ পুথরবা লৌফমদা ঈশিং য়াওদনা করম্বা পান্থীনা হৌগনি। লৌমীদা ঈশিং হান্না পীয়ু, দবল ইঞ্জিননা লৌমীশিংগী য়াইফনবা তৌনি হায়খিবনি, তৌবীরো মতম চারে, খরিফ অমসুং রবি ক্রোপ মপুং ফাহল্লসি, চিঙ্াক্তা মীপাল তাংদবা মণিপুর ওইহল্লসি।

**অদোমগী - এস গম্ভীর, লম্লাই বজার**